ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি লোয়শঙনা পাঙথোকপা নেশনল সাইন্স দে থৌরমগী ওপন ক্বীজ কম্পিটিশনদা মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা প্রাইজ খৃৎশিন্নবা


লৌশিং পূক্কে : মতৌ করম্না খৌনাউ নারক্লিবনো ... লামায় ২
লামায় ৪ ডাংবম বুঙ বুঙ মীতৈ ন্যু য়োর্কতা থুংখ্রে
কুকি অমগী অরোনবা মপাউ লামায় ৫
লামায় ৬ এম ঐচ এ ওফিসলশিংগা মুক্নরিবা নাকল ...
শিবগী চৈরাক পীবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখ্রে... লামায় ৮
লামায় ১০ লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা এফ সী লমজাও অমসুং ...


ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙনা জিরিবামগী হিল ঘাট কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা সাইন্টিফিক ওইনা ওক য়োকপগী প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিংদা শকখঙচে খৃৎশিন্নবা




Vol. 49, Issue No. 016 | শগোলশেন, শজিবু ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, April 10, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# আই দি পিশিং থব্রায় হিংনবা নীরগা অমদি লৈকায়গী দুকান্দগী শোৎলগা শিদনবা নোংমগী চরা চাবা য়াওহৌরে

## বিল ভৌচর মতম চানা পীলক্লবদি চাকথুং ফংবদা থেংথরোইদবনি : দি সী

## নোংমদা লুপা ১০০না হৌজিক্কী মতমদা মী হিংবা য়াব্রা : আই দি পিশিং

এন এস মঙাং



মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানগী থৌদোকশিংনা লাঞ্জেল্লকখিবশিংনা চঙজফম লৌখিবা সিক্যুরিটিগী কেম্প অমদা হব্রাইগা পুল্লপ থোংজিনবা চাক চানবগীদমক খঙ্গ্রা মনা পায়দুনা ক্যু লেপ্পা (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোরক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসিনা মীওই কয়াগী য়ূম-কৈ মৈ থাদোকখিবদগী অমুক হন্না মশাগী য়ূম্ফমদা হঞ্জিনবা য়াদদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাঞ্জেল্লত্তুনা মীওই লিশীং ৬০ রোম্না দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা হৌজিক চহী ২ ফাগদৌরবা ফাওবদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ইম্ফাল ব্রেষ্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেন বোইকোট তৌনবা হৈঙাংগী মীতৈ-পাঙলশিংনা খন্নরগনি : এম এস এ, অম্মসো



এম এস এ অমসুং অম্মসোগী লুচিংবশিংনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শরুক য়াবা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :** হন্দক লোক সভা অমসুং রাজ্য সভানা মথং-মথং পাস তৌরবা মতুংদা প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীবদগী এক্ত ওন্দুনা চৎনহল্লক্লবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিলবু চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেননা সপোর্ট তৌই হায়খিবদু মীতৈ-পাঙলশিংবু হন্থনা য়েংবনি হায়রদুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অদুগা মহাকপুসু হৈঙাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা মীতৈ-পাঙলশিংনা বোইকোট তৌনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লৈঙাক চলাইরিবশিংগী খূৎতা মণিপুর মীয়ামগী ঈ তৈরবনি হায়বসি কাউথোক্লোইদবনি : এম পি বিমোল



গুজরাটকী অহমেদবাদতা পাঙথোকপা এ আই সী সীগী মীফমদা এম পি বিমোলনা ৱা ঙাঙবা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়াগী হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিবু চলাইরিবা লৈঙাক্লোইশিংগী খূৎতা মণিপুর মীয়ামগী ঈ তৈরবনি হায়বসি কাউরোইদবনি হায়না মণিপুরগী এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙরাংদগী হৌরদুনা গুজরাটকী অহমেদবাদতা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চথরকখিবা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## শগোলবন্দগী চিলদ্রেন হোমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৪৫ রোম তারকপদা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা নুপামচাশিংগী চিলদ্রেন হোমদা শকখঙদবা মীওই অনীনা নোংমৈ রাউন্দ ৭ লোম কাপশিল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিবু শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্কী অপূনবা মৈরা পায়বীনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। খোঙজংদা শরুক য়াখিবী মাইবম পুর্নিমানা ফোঙদোকখিবদা অঙাং ৩০ রোম লৈরিবা হোম অসিদা করিগীদমক নোংমৈ কাপশিল্লম্লিবনো হায়বদু ইচাশিংনা শেংদোকপীরকউ হায়খি।

## জিরি লম্বী : লম্বী শেম্বা লোইশিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :** ওরিয়েন্টেল কোলেজ দগীনা য়ুরেম্বম ফাওবগী লম্বী অসি দি সীগা য়ানবদগী শেম্বা হৌরক্লগা লেপখিবা নুমিৎ মঙানি শুরে। মরম অসিনা পুং ৪৮-গী মনুংদা অমুক হন্না শেমজিন্দ্রবদি মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংগী তেকচাক ওথোরিটিনা পুগদবনি হায়না পাৎশোই কৈথেলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা পাৎশোই লাংজিং বজার বোর্দকী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি নোরেননা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, কোয়লাস থাদবদগী উফুল হৌদনবা লম্বী পরিং অসিদা নোংমদা ঈশিং ৭/৮ লক চাইবা হায়নসু য়ানবা লৈখিবনি হায়রি।

## দিমাপুর লম্বী : গাড়ীদগী শেল নমদুনা মুনবা মীওই ১ ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :** এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীগী কাংপোকপী পি এসনা কোনবা টি খুলেন অমদি কৌব্রু লৈখাগী মরক্তা গাড়ীদগী শেল নমদুনা মুনবা লুমিন্থাং গুইতে (২৭) কৌবা সাইকুলগী খামেনলোকতগী নহা অমা মোবাইল ফোন অমা অমসুং লুপা লিশীং ২৫গা কোন্ননা কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারে হায়রি।

মহাক্না হায়ৱে অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা গাড়ীশিং মরু ওইনা ত্রকশিংদগী নমদুনা নোংমৈ চিন্দোলদা শেল মুনবগী থবক চথুরকপদগী পুলিসনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা চথবা ওপরেশনদা ফাবনি হায়রি।

## প্রসিদেন্টস রূলনা এম ঐচ আর সীগী চ্যেরপর্সন খনবা ঙম্ব্রা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :** প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩বু কুমজা ২০১৯দা এমেন্দ তৌরগা ফেব্রুৱারী ২, ২০১৯দগী চৎনহল্লকপগা ইরোয়ননা ষ্টেট অমগী কম্মিশনগী চ্যেরপর্সন হাপ্পা হায়বসি চীফ মিনিষ্টরনা চ্যেরপর্সন ওইরগা স্পিকর, হোম মিনিষ্টর অমসুং ওপোজিশন লিদরনা মেম্বরশিং ওইবা কম্মিটি অমনা রেকমেন্দ তৌরক্লবা মতুংদা গভর্ণরনা ৱারেন্ট ওফ এপোইন্টমেন্ট পীদুনা খনগদবনি অদুবু হৌজিক্তি প্রসিদেন্টস রুল লৈবনিনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী চ্যেরপর্সনগী ফম অসি ওগষ্ট ২৪, ২০২৪দগী হাঙদুনা লৈরক্লিবা অসি মেনশিনবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

অমরোমদা, কম্মিশনগী চ্যেরপর্সন হাপ্তবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## শটদাউনগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) :**

মতম কুইনা য়াইরিপোককী অজাদ গোলাইদগী নোংপোক কৈথেলমানবী ফাওবগী লম্বী শেমজিন্দবগী মায়োক্তা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী লম্বী পরিং অসিদা পুং ৪৮-গী টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবদু ঙসি অন্দ্রোগী এম এল এনা অথুবা মতমদা শেমজিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


